ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, দিসেম্বর ২৮, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৭৩শুবা মশীং

# ঐখোয়গী নহারোলশিং

## *মখোয়বু শেন্বা হায়বসি তুংগী য়ূম্বী শেম্বনি*

**নহারোল** নৎত্রগা ইচম চম্না নহা ওইরিবা মীওইশিং অসি লৈবাক অমগী চপ চাবা থৌদাং লৌবা মতমনি। মখোয়দা মখল খূদিংমক্কী পাঙ্গল, হৈশিংবা, খঙনীংবা, হৈনীংবা অমসুং চোকথবা নাইদবা কয়ামরুম লোয়নদুনা লৈবা মরম্না পরম চুম্না শীজিন্নরবদি লৈবাক অদুগী অফবা ওইগনি। অসিগুম্বা মতীক ময়ায় কয়ানা লৈতেংলবা নহারোলশিং অসিনা ককঙাওনদুনা লৈরবদি লৈবাক অদুদা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা লৈতাফম খঙলোই। মসিমক মণিপুরদসু থোক্লি। মশাগী চহী ১৫ শুবদগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহারোল কয়ামরুম তৌফম খঙদবা মওংদা লৈরি। শূফম নোম্ফম লৈতবা, মখোয়দা চানবা থবক পীবা ঙমদবা, তুংগী আশা উদবা অমদি ৱাদনা নুংঙাইবা পান্বা নহারোলগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী ক্রাইম থোরক্লি। অসিগুম্বা চহী তানফম অসি মমা-মপা ওইবশিংনসু ৱারক-ৱাতেম্বদা য়াম্না লুবা, তাইবংপান অসি মখোয়গীনি খল্লকপা মতম ওইবনা মওং চুম্না মখোয়বু য়েংশিলহৌদ্রবদি অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবগী মহুত্তা মাঙ-তাকপা খুন্নাই ওইনবগী মচাক ওইরকই। মতৌ অসুম্না লালহৌবগী মিংদা নমদুনা মীয়ামদগী কিহল্লগা শেল খায়ননবা হোৎনরকপা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লূপখিদুনা মরৈবাক্কী ওইবা ৱাখল খনবা ঙম্লক্তবা, ৱাখল হন্থখিদুনা খূৎলায় পায়দুনা লান হৌরকপনচিংবগী থৌদোক ৱাথোকশিং ঙসিসু লেপ্পা লৈত্রি। রব্বরনা শাবা বোল অমদা নুংশিৎ হাঞ্জিল্লগা খূৎনা মেৎপদা অমদা খরমুক চাউথোকপা, খজিক্তং থাদোক্লগনা হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিনবদুগুম্না তৌদুনা লালহৌবগী ঈরাং খরা হন্থরক্লগনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লোমদা লাকপা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা খরা ফগৎলক্লগনা অতোপ্পা ৱাথোক অমদা অমুক লাকপা অসুম তৌদুনা ষ্টেট অসিগী তুংগী লাইবক হায়ফম খঙদনা লৈরি। ষ্টেট অসিগী চাউরবা ৱাথোক অমা হায়বা তারবদি নহা ওইরিবা মীওইশিংগী প্রোব্লেম অসিনি। প্রোব্লেম অসি কোকহন্ননবগীদমক্তা ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা নহাশিং কমদৌনা লোয়নগদগে অমসুং মখোয়বু অফবা খুন্নাইরোল অমদা পুশিনবা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাখল খনবা তৌদ্রি। মখোয়বু শেম্নবগীদমক ষ্টেট বজেটতা তোখাইবা শেনফম হাপত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মথং চহী ফাওবা ঐখোয়গী নহারোলশিং ককঙাওনদুনা লৈখিবা তাবনি। মখোয়না ককঙাওনদুনা লৈবা হায়বসি খুন্নাই অসিদদি অচৌবা ৱাথোক অমা খূদোল তৌগদৌরিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস হায়বা য়াম্না মরুওইবা ডিপার্টমেন্ট অমা লৈ। হায়রিবা ডিপার্টমেন্ট অসি লেটপাও হাওকিপনা মিনিষ্টর ইন চার্জ ওইনা পুরি। শান্নরোয় খূদিংমক নহা ঙাক্তনি। অদুবু নহা খূদিংমক শান্নরোয় ঙাক্তনি হায়বা য়াদবনা ডিপার্টমেন্ট অমখক্তা ওইরগসু থৌশিলদি অনী থোক্না শেমদবা য়াদে। মীয়াম্না খঙই মদুদি মণিপুরগী নৎত্রগা লৈবাক অসিগী মীৎচৎ পুরকপা হায়বদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা গোল্ড মেদল লৌরকপদগী হৌরগা অতৈ মেদল লৌরকপা শান্নরোয়শিংদা অচৌবা শেনফম অমা মনা ওইনা পী। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা খক্তা নত্তনা অতৈ মিনিষ্ট্রিশিংগী মখাদা থবক তৌনবগী খুদোংচাবা পী। মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবী। মসিনা মরম ওইরদুনা শান্নবদা থৱায় য়াওজবা নহা কয়াদি এসিয়ন গেমস নৎত্রগা ওলিম্পিকস্তা মেদল লৌননবা হোৎনরি। অদুবু শান্নবদা থৱায় য়াও হায়বা য়াদবা, শান্নরুরগসু মায় পাক্লোই খঞ্জবা মশিং য়াম্লবা নহারোল কয়া অমা হৌজিকসু শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরি। মখোয়গী খোঞ্জেল থোক্তবা ৱাকৎ মণিপুর লৈঙাক্না তাবীবা লৈরব্রা হায়বসি ৱাহং অমনি। লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈরবা, লৈঙাক্কী থবকসু ফংবা ঙমদ্রবা, প্রাইভেট কম্পেনিসু লিংখৎপা লৈতবনা মখোয়দা চঙলগা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবসু লৈত্রবা নহারোলশিং অসিগী হিংননবগী লম্বী কনানা পীরিবগে? লৈঙাক্কী তেংবাং অমত্তা য়াওদনা স্কিল ডিভলপমেন্টকী নোলেজসু লৈতবা নহারোলশিং অসিনা মশানা মশাবু থবক পীজবা হায়বদুনা লৈবাক অসি চাওখৎপা ঙমগদৌরিব্রা? চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা নহারোলশিং মশানা মশাবু থবক পীজনবা তোখায়বা ঙাক্লৌ অমা পীননবগী থৌশিল অদু মণিপুরদা করিগী চৎনহন্দবনো? মখোয়না লৈতানা শু-নোমদুনা শিনফম অমমম পানখিবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবগী অচৌবা মরম অমনি অমসুং পামদবা থৌদোক-ৱাথোক থোরক্তনবগী অচৌবা মরম অমা ওইগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, স্পোর্টসকী পোলিসি অমা লৈবগুম্না য়ুথশিংগীসু তোখায়বা পোলিসি অমা থন্ফম থোকপ্রা হায়না খল্লি। হায়রিবা পোলিসি অদু শেল্লগদি মখোয়দা লৈঙাক্না করি-করি খুদোংচাবা পীবা লৈরবগে? পোলিসি অদুগী মখাদা মখোয়বু মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগীদমক মথং চহীগী মার্চ থাদা পুথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী বজেটতা মমি তাহন্নবা হৌজিক্তগী হৌনা পোরম য়াৎহন্নিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লমদমসিদা মীওইবগী ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা ঙম্লকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**তাইবঙ** শেন্বা মপূগী নোংদমদগী মরাইবক থিদুনা মীৎ উদনা পোল্লকপা, খাঙুথক্তা মিৎ, নাকোং, খোঙ-খূৎ, হার্ট, কিডনি, লিভরনচিংবা কয়া শোয়নাইরক্তুনা তাঙলবা মীওইবগী পুন্সিবু মতাংনা মতমনা তেমশিংনরকপদা পূম্নমক্তুবু মায়োক্নবা ঙম্নবা ঙসিগী মেদিকেল সাইন্সকী থিজিল্লোয়শিংনা মীওইবগীদমক্তা চঙশিল্লিবা খোঙচৎ অসি থাগৎতবা ঙমদে। ২১শুবা চহীচা অসিদা অঙকপা ফংনা চাওখৎলক্লিবা মালেমগী তৌবা ঙম্বগী মঙমশিংসি মীওইবগী হোৎনজমননি হায়বদা মপূমক্লসু শোয়দনমক্কী থাগৎকনি নীংই। ঙসিদি ইরমদম মণিপুরদা মীওইবগী ওর্গান মায় পাক্না ট্রান্সফর তৌবা ঙমদুনা মী অমগী পুন্সি কনবা ঙম্বগী পাউ পাউচেশিংদা অমদি হকথেংননা হোস্পিটালশিংদগী তাবা ফংলিবসি ইরমদমসিগী মরুওইবা দাক্তরশিং অমদি লৈবাক অসিগী মরী লৈনবা পূম্নমকপু থাগৎতবা ঙম্লোই। পাউ অসি তাবদা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা লৈরম্বা অচৌবা অৱা-পোৎলুম অমদি থাংথবিরে হায়না লৌনীংই। নুংঙাইবা পাউ অসিগী মরুমদা মীপাইজবা কয়া অমসু পূক্নিংদা ফাওরক্তবা ঙমদে, চুম্বা অমসুং লানবগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা।

ইন্দিয়াগী মেট্রো পোলিটান সিটিশিংদা তোয়না থোক্লিবা মী মাঙখিবগী ৱাথোক, হন্দক্তা মণিপুরী মচা প্রবিস চনমগী মীশিনচিংবা অমদি অতৈ অতৈ মফম মরাং খঙদনা মাঙখ্রিবশিং পূম্নমক্তু নীংশিংলগা মীওইবগী ওর্গানবু হুরান লোনাদা ললোনবা খূৎপু অমা লৈরব্রা হায়বসি চাংদম্নদুনা য়েংনীংলকপা হায়বসি মশানা তারকই। মরমশিংসিনা মাঙ অমসুং তুং অনীমক য়েংহৌদুনা করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা চাওখৎপগী খোঙজেল অসিদা খুন্নাই অসিনা করম্না খুদুং ইনবা ঙমগদগে হায়বদু লৈবাক অসিগী অখঙ অহৈ কয়াদগী মতাং মতম চানা মত লৌহৌদুনা অহল-লমনশিংগী পাউতাক কয়া তাথোকপা মথৌ তাই নীংই। ইরমদমসি লায়ররবা ইরমদমনি হায়না হায়নীংই, মরমদি লমদমসিগী শেন্মীৎলোন অমদি লৈবাক অসি সেন্তরদা ১০০দা ১০০ তাংলগা হিংবনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না হায়নরিবা ৱাফমনি। ফীভম অসিদা লায়ররবা মীয়ামসিগী মরক্তা নীংবা কায়বদগী, তঙাইফদবদগী মশাগী ওর্গান য়োম্থোক্কে হায়দুনা লোন্না নৎত্রগা ফোঙনা হায়রকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। পূম্নমকসিগী মাঙওইননা লৈবাক অসিদা মীওইবগী ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা চৎনরিবা আইনশিং মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা পরিং চুম্না মীওইবগী ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌদুনা তাঙলবা মীওইবগী পুন্সি কনবদা অনৌবা ৱাথোক লৈহল্লোইসি। লোয়ননা মীওইবগীদমক মীওইবনা মপূগী মফমদা মপূগুম অচৌবা দান অমা তৌবা ঙম্লবদি মীশক্তু অচংবা মীওইনি হায়নগনি, মরম চারবদি মীওইবগী দিসসিজ ওর্গান দান তৌথোক্লমদুনা অৱাবা তারবা মীওই অমবু নৌনা মীকপ থোকহল্লম্বা ঙম্লবদি মীওইদুগী মফমদদি মালেমসিগী লৈজরিবা লন থুম খুদিংমক অরেম্বনি।

*অদোমগী - আর কে তরাজিৎ*
*ৱাংখৈ খুনৌ, ইম্ফাল*

# মীওইবগী পূক্নিং অমসুং মসিগী থাক

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**'নীংবা'** হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন, ইংরাজিদা 'ৱিস' হায়বা তাবনি। নৎত্রা? নীংবগী থবক তৌরিবদুনা 'পূক্নিং' (মাইন্দ)। 'খনবা' হায়বসিনা 'থিঙ্ক'। খনবগী থবক তৌরিবসিনা কোক (হেদ)। মাইন্দ (পূক্নিং) হায়বসি কোক্কী শরুক অমরা? নৎত্রগা হকচাংগী করম্বা শরুক্তা পূক্নিং হায়বসি য়াওবগে? কান্নদবা ৱাখলনি খল্লক্লিবা ঙসিসে। মথৌ অমদি তৌরিবা, লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদি খঙদবা, উরুবসু ঙমদবা, শোক্লুবসু ঙমদবা হকচাংগী কয়াৎ অমগুম্বনি 'পূক্নিং'। খোঙ-খূৎ, মীৎ-নাকোংগুম শোক্লু-থেংলু য়াদবা, মীওইবগী হকচাংগী মনুংদসু লৈতবা, মপান্দসু লৈতবা পোৎশক অমনি-মীওইবগী পূক্নিং।

ঐ খনফম খঙদে-ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা 'পূক্নিং' হায়বা ৱাহৈসি করম' শেম্লম্লিবা! পূক + নীং! 'পূক' হায়বা ৱাহৈ অমগা 'নীংবা' হায়বা ৱাহৈ অমগা, অনীনা পুল্লগা শেম্বনি। পূক্নবু নীংবা হৌনব্রা? নপূক্তা ৱা থমগনু-ঐখোয়না তোয়না হায়নবা অতোপ্পা ৱাহায় অমনি। ৱা নৎত্রগা ৱাফম অমা নীংশিংদুনা থম্বা অদুবু নৎত্রা 'পূক্তা ৱা থম্বা' হায়বসিবো? নীংশিংবা হায়বা থবক মখল অদুনি কোক্তা য়াওরিবা 'নিউরোন সেল' শিংনা তৌই হায়বদি সাইন্টিষ্টশিংনা হায়বদগী খঙলে ঙসি। মীওইবগী নীংশিংবা নৎত্রগা পূক্নিংনা নীংবা হায়বা থবক অসিগী অঙকপা মতৌ অসি খল্লুরগা করিগুম্বা খরদং ইগে খন্দুনা কলম পায়খৎচরুবনি। ইবা ফাওবা হৌদ্রিঙৈ ৱাখল লম্মুক্লুখরে। পূক্নিং হায়বসি করিনো? কদায়দা লৈবা পোৎশক্নো? মদু ফাওবা খঙ'ঙমদ্রে। লোত্তনা লৈবা পোৎশক অমা ওইরবদি মানা লোৎলিবসি কদায়দনো? অদু ফাওবদি খঙফম থোকপনি। মদু ফাওবা চপ চানা হায়ঙমদে। অদুবু পূক্নিং হায়বসি য়াম্না শক্তি লৈবা, মপান নাইদ্রবা মতীক-মঙম লৈবা পোৎশক অমনি হায়বদি খঙলে পূম্নমক্না। দ পাৱর ওফ মাইন্দ-পূক্নিংগী মতীক-মঙমগী মরমদা ইবা লাইরিক মশীং খঙদনা থোরক্লে।

পূক্নিং ৱাখল অমসুং হকচাং! অহুম অসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক অহুমনি। অমনা অমদগী তোঙান্নবদি নত্তবা! হকচাং ফবা হায়বসিদা পূক্নিং-ৱাখল অনীমক নুংঙাইনা লৈবা হায়বা অমসু য়াওরিবনি। তীক-তীক লাউবা, লায়না তীল'না চেন্দবা হকচাং অমগীমক মচি ওইবা অফবা চীঞ্জাক চাং নাইনা চাবা দরকার ওইবগুম, অফবা পূক্নিং অমগীদমকসু পূক্নিংদুবু অফবা চীঞ্জাক পীজবা তঙায়ফদবা অমনি। পূক্নিংগী শান্তি, ৱাখলগী লৌশিং-পূক্নিংদুদা পীজখিবা চীঞ্জাক্তুগী মহয়নি। মহয়দুনা পীবনি হকচাংগী পাঙ্গল অমদি শক্তি। মতাংসিদা ৱাফম অমা থোক্লকই - হকচাংগী পাঙ্গল (ফিজিকেল ইনর্জি) অমদি পূক্নিংগী পাঙ্গল (মেন্তেল ইনর্জি) অনী অসি কনানা হেন্না কনবগে? মেন্তেল ইনর্জিগী মতীক মঙম ওন্নবা খূৎলায়দি মীওইবনা পুথোক্ত্রি, ফিজিকেল ইনর্জিবুদি মওং কয়াদা ওন'ঙমলে। অনা-লায়েংগী লমদসু হকচাংগী অনাবা অমদি ৱাখলগী অনাবা হায়না তোঙান তোঙাল্লক্লে। অদুবু, খ্বাইদগী লুরিবসি অনাবা হেনজিন্দ্রিমখৈ লায়েংগনি খঙদবা ঐখোয়গী হৈনবী অসিনি। অৱাবা, নুংঙাইবা, অকিবা, তুজুংবা, নুংশিবা, তূক্কচ্চবা, নুংনাংবা, নুংওনবা... অসিনচিংবা পূক্নিংগী তোঙান তোঙানবা শকওংশিং অসিদগী থোক্লকই - মীওইবগী ৱাখল লায়না। অদুনদি ৱাখলগী হৌরকফম পূক্নিংনি। লানবরা?

অদুনদি, পূক্নিংবু মথৌ তৌহন্নবা, ৱাখলগী মরূ হুলহন্নবা মীওইবগী মপান্থোংগী হকচাং কয়াৎ খরগী মথৌ তাদবরা? উননবা মীৎ, তাননবা নাকোং, মনম নল্লিবা নাতোন, মহাও খঙহল্লিবা লৈ ... শোকপ-থেংবদা অঙৈং-অশা খঙহল্লিবা উনশা! ইমিৎসিনা উরগা, ইনাকোংসিনা তারগা, লৈতোনসিনা থেংলগা, নাতোনসিনা নল্লগা,উনশাসিনা থেংলগা ঐখোয় মীওইবনা পোৎ অমগী মশক লেপ্পী। হকচাং কয়াৎ মঙা অসিবু মীওইবগী মরুওইবা সেন্স ওর্গান মঙা ওইনা শকখঙনৈ। মপান্থোংগী কয়াৎ মঙা অসিগী মথৌদুবু শক্তাক্লিবা, করিনা করিনো খঙহল্লিবা, হকচাংসিগী মনুংদা লোৎলিবা, খ্বাইদই হেন্না মরুওইবা খূৎলায়দুনি - পূক্নিং। ইমাঙমক্তদা কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা অমা ঙাঙলিবা, খোঞ্জেলদু ফনা হৌসনু, পূক্নিংসিনা চঙদ্রবা, উরবসু উদে, তারবসু তাদে। উবা, তাবা, নম্বা, শোকপা... অসিনচিংবা মীওইবগী সেন্স মঙা অসি মশক খঙনবা - পূক্নিং খ্বাইদই তঙায়ফদবা অদুনি।

মীৎমাঙসিদা খিল্লিবা পোৎশক অমা, উবা-শোকপা য়াবা পোৎশক অদু নত্তবা অতোপ্পা পোৎশক খরা, খুদম ওইনা, অপাম্বা অমদি পামদবা, অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা, আশা অমদি অকিবা ... অসিনচিংবা থম্মোয়গী ইহুল ময়ামসিদি কনানা মশক খঙবীগনি? পূক্নিং। পূক্নিং হায়বসি নত্তনা থম্মোয় ইহুল খঙবা ঙম্বা অতোপ্পা খূৎলায় অমা লৈতে। মাঙদা লৈরবা পোৎশক অমা লৈতে হায়বা য়াদবগুম তারিবা খোঞ্জেল অমসু তাদে হায়না মীনম'ঙল্লোই। উনগুম ঈংবা পোৎশক্তুসু মৈগুম শাই হায়ঙল্লোই। মপান্থোংগী কয়াৎনা - উদববু উই, তাদববু তাই, অশাববু ঈংই হায়না পূক্নিং মাবু কৈদৌনুংদা মীনমঙল্লোই। অদুবু থম্মোয় অমসুং পূক্নিংগী মরী হায়বসিসু অঙকপনি-থম্মোয় মানা পূক্নিংদা, পূক্নিং মানসু থম্মোয়দদি মীনম'ঙম্মী।

থাজবীদবরা? খুদম অমত্তা পীজগে, য়ানীংই/য়ানীংদে হায়বীয়ু। নুংশিবা হায়বা থম্মোয় ইহুল অসিদগী হেন্না কনবা ইহুল অমা লৈবরা? নুংশিবা কৌবা থম্মোয় ইহুল অসি ফোঙদোক্লবা অকক্লবা মফোঙদোক অমা লৈবরা? কনাগুম্বানদি হায়রক্কনি - লৈ। লৈবদুনা হায়নরল্লিবনি ... 'নুংশি ৱাহৈ, নুংশি মীৎয়েং নুংশি চীরোল ...' অসিনচিংবা ৱাহৈ কয়া। নুংশি ৱাহৈ, চীরোল ৱাহৈ কয়া শীজিন্নদুনা, চীনবান খোইহী তৈবা ৱাহৈ হায়নবা, খোয়থুম্নবা ৱাহৈ কয়াগী মতেংনা কনাগুম্বা অমগী থম্মোয়বু ইরায় লায়না লাঙ্গোয় চনবা য়াই। চীনবান চীনচুপনদুনা, হকচাং ফাওবা পীথোক্তুনা, নুংশিদনা নুংশি লীলা শান্নবা য়াই। লৈপাক খুদিংগী ইতিহাসতা থোকখি অদুগুম্বা থৌদোক কয়া। ইতিহাসকী লামায়শিংদা লাচন্দুনা থল্লম্মি। থোকখিবা ইরমসিগী নিংথৌকোন্দা, থোক্লি, ইরৈপাকসিদা ঙসিসু। চীরোলনা লৌনম লাংথাকপী কনাগী অশেঙবা থম্মোয় মশক, শরৌ লাংদা থুখিবা পাখঙ কয়া খঙবা ঙমখিদবা, করিদগী থোকপনো? মশাগী পূক্নিং অদুবু মশানা খঙবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগনি।

মীওইবগী পূক্নিংদি য়াম্না মমিৎ থৌবনি, য়াম্না এলর্ট ওইবনি। মাবু ৱারকপা ঙমদবা কনাসু অৱাফমদা তাখিবগী ৱারী তত্তনা লীনরিবনি। ঈশাদা তত্তনা থোক্লিবা থৌদোক অমত্তা পনজগে। অহাওবা, অথুম্বা চীঞ্জাক অমা মাঙদা থেনবা উবদা চানীংদবা কনানো? মীনা চাবা উরগা হেন্না হেন্না চানীংলকই। চানীংবই ঈখৌ পোকহল্লিবা ঐগী পূক্নিংদুননি। পূক্নিংদুমক্না অমুক হায়রকই ...'চানীংখ্রেদকো চীঞ্জাক অসে, অদুবু, ঐদি দাইবেটিস নারিবনি, মসি চাশিল্লুরবদি ঐগী অফবা ওইরোইসে'...। মীৎনা উরুই পামজবা পোৎশক অমা, অদুগা অতোপ্পা শকউদবা ইথিল অমনা ইনশিন্দুনা পামজবা পোৎশক অদু লৌদনবা ৱারেপ লৌই। মদুনি পূক্নিং হায়বদো।

পূক্নিংগী থাক অহুম লৈ - (১) দোর্সেন্ট ফোর্স :- লেঙদ্রবা, মথৌ শঙদ্রবা পূক্নিং; (২) অনএত্তেন্দেট ফোর্স :- মথৌ থৌজরগসু, মথৌদুবু থওইবীদ্রবা পূক্নিং, অমদি (৩) ওভরপাৱর্দ ফোর্স :- থৌজরিবা মথৌদু, হেন্না থাউ থাকচীন্দুনা, মৈরী ওইনা লৈজবদু মৈজাও ওইহনবা পূক্নিং।

হৌজিক মণিপুরগী য়েলহৌমী কাঙলূপ অনীখক্কী পূক্নিং কন্না লাংতক্লুরি। ঐখোয় কন্না য়েংশিনসি - মখোয়গী থাক, অহুমসিগী মরক্তা করম্বনো!

# ওপন দিফিকেসন ফ্রীগীদমক ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া

**সোরোক নোরেন**

**লুরবা** তানফম অমদা লেপ্লিবা মণিপুরগী টাউন ২৭নি ঙসিগী পুংফম। চুম্না ওফিসকী থবক থৌরম, নুংতিগী রুটিন ৱার্ক খক্না য়ারক্তুবা মতম হায়বদু ওইরে। চাংদম্নবা হায়বা ৱাহৈ অসিনা হীরম খুদিংমক্তা মতম পূম্নমক্তা শাগোন্নদুনা লৈরক্লবা মতমসিদা পুংশিং নাইনা শুদনা লৈথোকপা মতম নৎলক্ত্রে। অদুননি ঙসি মণিপুরগী টাউন ২৭না অয়ূক নুমিদাং হায়বা থমদনা শু-নোমদুনা কন্না হোৎনরিবা। হোৎনরিবা খুদিংমকশিং অসিবু য়েংননবা লাক্লি ঙসি মণিপুরগী লৈমায়দা কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া। মদুমক্লি ঙসিগী কাখল অসিদা অতেনবা পাউদম অমত্তং থমজনবা হোৎনরিবা।

মমাঙ চহীদগী হৌনা খোংদারকখ্রবা ঐগী ইরমদমসিনা আই এল পিগী ৱাথোক লৈবা লমনি হায়দুনা চঙলক্তনবা পল খাবা ঙমদ্রিবা অকনবা বোদি অমনি ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া। বোদি অসিগী য়েংশিন খোঙচৎনা ঙসি ঐগী ইরমদমগী টাউন ২৭কী মরাইবক লেপ্পবগী মচাক অমা ওইহল্লি। চাংদম্নবা হায়বসিদা ঐদি পাঙ্গল শোল্লি, ঐগী কনাসু লৈজদে, ঐ য়াওজরোই হায়বা য়ারোইদবা অকনবা থৌরি অমনসু পুল্লি। মসিদনি অমুক্তা হেন্না লুরিবসে। অহানবদা ঐগী ষ্টেটকী ওইনা লৈজরিবা টাউন ২৭ অসিগী চাংদম্নবা মখল অমা অমসুং মথংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটখক্তগী ওইবা অরোইবদা ইন্দিয়াগী লোকেল বোদি ৪০৪১গী মনুংদা অথোয় অহেনগী চাংদম্নবা। কয়াদা লুখ্রবা চাংদম্নবনো। মদুসু অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা। মসিনি ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা নাম্থোকপা য়াদ্রবা চাউরবা পল। ওপন দিফিকেসন ফ্রী, লমহাং তুহাংদা মফম খঙদনা অমাংবশিং থমদনবা অমদি লৈতনবা হোৎনবা পাম্বে মখল অমনি। ঙসি মণিপুরগী টাউন ২৭ সিগী মনুংদা টাউন মঙা মমাঙ চহী ২০১৬তা ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা ক্যু সী আইগী টিমনা য়েংশিল্লবা মতুং অখন্নবা ক্যু সী আইগী সার্টিফিকেট ফংনবনি। হায়রিবা কাউন্সিল মঙা অদুদি বিষ্ণুপুর, ককচীং, মোইরাং, নম্বোল অমসুং লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্টনি। অদুগা লেমহৌরিবা টাউন ২২ অসিগী মনুংদা চহীসিদা ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন হায়না লাউথোক্লবা শেম শারিবনা টাউন ১২ খক্তনি। লেমহৌরিবা টাউন ১০ অমদি হন্দক্কী চহীসিদা ওপন দিফিকেসন ফ্রীগীদমক্তা চাংদম্নবা য়াওবা ঙমদ্রে। মমাঙদা লাউথোকখিবা টাউন মঙা অসিগী চপ চাবা সিটিগী প্রোফাইল ওফিসিয়েল দোক্যুমেন্ট মরুওইবা খুদম চাংদম য়াওবা কয়া কুপ্না য়েংলবা মতুংদা ক্যু সী আইনা পীরিবা সার্টিফিকেট অসিগী ভেলিদিটি অসিসু শুপ্নগী থা তরুকখক্তনি। মখা তাবা ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়বগী ক্যু সী আইগী ভেলিদেসন সার্টিফিকেট মথৌ তারি। নৌনা অমুক হন্না সার্টিফিকেসন অসি ফংনবা হোৎনবদা মহৌশাগুম, সিটি প্রোফাইল, ওফিস দোক্যুমেন্টেসন, স্কুল ও দি এফ, ওর্দর ও দি এফ, ৱাটর বোদি, কম্মর্সিয়েল এরিয়া ও দি এফ, পব্লিক টোইলেট, কম্যুনিতি টোইলেট, স্পিসিয়েল লোকেসন টুরিষ্ট স্পোট, টেম্পল, চর্চ, মসজিদ অতৈ অতৈশিংদা কূপ্না নৌহৌননা য়েংবগী মথৌ তারি। মমাঙদা অরুম্বা থৌদাং কয়ানা হায়রিবা এক্টিভিটি ময়াম অসি মপূং ফাখ্রবসু ভেলিদিটিগীদমক হোৎনরকপদা মপূং ফাদ্রবদি অন ও দি এফ সার্টিফিকেট ফংগদৌরিবনি। কয়াদা লুখ্রবনো। অহানবদা ও দি এফ অসি লাউথোক্নবা হোৎনবদা তৌগদবা থৌদাংশিং অসি টাউন অদুনা কোল্লিবা মফম অদুদা স্কুল কোলেজ কয়া লৈ। হায়রিবা স্কুল কোলেজশিং অসিগী মহৈরোয় খুদিংমক ও দি এফকীদমক কদায় ফাওবা জ্ঞান লৈরবগে অমদি টাউন অদুগী ওথোরিটিনা মহৈরোয়শিং অমদি স্কুল কোলেজশিং অদুগী ষ্টাফশিংদা কদায় ফাওবা এৱ্যার্নেস পীরবগে হায়বগী চপ চাবা দোক্যুমেন্টশিং উৎপা মথৌ তাই। মরুওইনা হায়রিবা স্কুল কোলেজশিং অদুগী শীজিন্নরিবা টোইলেটশিং কমদৌরি, নুপা নুপীগী তোখায়না থম্ব্রা, ঈশিংনা কদাইদগী শীজিন্নবা অমদি টোইলেট শীজিন্নবা লোইরবা মতুংদা খূৎশা করম্বা মওংদা চামথোক খোৎতোকপা তৌই হায়বনচিংবা। পূম্নমকশিং লোইরবা মতুংদা মহৈরোয় খুদিংমক্কী সেল্ফ দিক্লারেসন সার্টিফিকেসন অদুদা খূৎয়েক পীদুনা ঐ ঐনা তম্লিবা স্কুল কোলেজ অসিগী টোইলেট মফম চানা অমোৎ অকায় লৈহন্দনা থমই হায়দুনা দোক্যুমেন্টেসন থমগনি। অসুম্না স্কুল কোলেজ অদুগী ষ্টাফ পূম্নমকসু সেল্ফ দিক্লারেসন সার্টিফিকেটসন পীগনি। অরোইবদা পীরিবা দিক্লারেসন সার্টিফিকেট পূম্নমক্তা হেদ ওফ দি ইনষ্টিট্যুসন্না কাউন্টর সাইন তৌগনি।

মহাক্কী প্রোসেস অসিগুম ৱার্দ ৱার্দতুদা লৈরিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বর খুদিংমক্তসু ও দি এফকী এৱ্যার্নেস মিটিং কয়া তৌদুনা মপূং ফাবা জ্ঞান ফংহল্লুবা মতুংদা সেল্ফ দিক্লারেসন সার্টিফিকেট লৌগনি। লোয়ননা ৱার্দতুগী কাউন্সিলরগী খূৎয়েক্না পূম্নমক মশানা য়ানা ঐগী ৱার্দ অসি ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইবদা অথিংবদা অমত্তা লৈত্রে, য়েৎপীনীংবা লৈরবদি য়েৎপীরবা য়াগনি হায়দুনা নোটিশ থোক্কদৌরিবনি। অকক্লবা অপীবা মতমদুগী মনুংদা কনাগুম্বা অমতনা য়েৎলক্ত্রবদি ৱার্দ অদু ওপন দিফিকেসন ফ্রিগীদমক শেম শাবা লোইরবা ৱার্দ অমনি হায়না লৌগনি। অসুম্না টাউন অদুগী ৱার্দ খুদিংমক ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইহনবগী শেম শাবা লোইরবা মতুংদা টাউন অদুনা কোল্লিবা অখন্নবা কম্মর্সিয়েল এরিয়াশিংদা অমুক নৌনা মীৎয়েং চঙগনি। কম্মর্সিয়েল এরিয়া অদুদা পব্লিক টোইলেট কয়া লৈ। লৈরিবা পব্লিক টোইলেট খুদিংমক তরু তনান্না মমাঙদা পনজখ্রিবা অসিগুম টোইলেট অমগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অদু ফংহনবা ঙম্লিবরা হায়বনচিংবা কয়া য়েংশিনবা মথৌ তারি। পব্লিক টোইলেট খক্তা নত্তনা কম্যুনিতি টোইলেটনা করম্বা ফীভদা লৈ, করম করম্বা মফমশিংদা কম্যুনিতি টোইলেট শীজিন্নৈ, করি মরমগীদমক কম্যুনিতি টোইলেট শীজিন্নরিবা হায়বসিসু অরুবা ৱাহং ওইদুনা চৎলিবনি। তঙাইফদনা শীজিন্নবা তারবসু কম্যুনিতি টোইলেট অদুগী মেন্টেনেন্স কনানা তৌই। তঙাইফদনা টোইলেটশিং অসি য়াম্না তরু তনানবা অমা ওইনবগী অকনবা খোঙথাংনি ঙসি ওপন দিফিকেসন ফ্রী হায়না হোৎনরক্লিবা।

স্পিসিয়েল লোকেসন - মসিনা অমুক হেন্না মরুওইরি। মীয়াম্না য়েংনীংবা য়াবা অৱা পোথাফম ওইনরিবা টুরিষ্ট স্পোটশিং অসিদা তঙাইফদনা থমদবা য়াদবা পোৎশক অমনি টোইলেট। মসি মহৌশানা লাক্কদৌরিবা মীওইশিং অদু মতম খরদগীনি খন্দুনা মপূং ফাবা টোইলেট ফেসিলিটি ফংদবগুম উন্নে। তশেংনা খ্বাইদগী মরুওইনা টোইলেট থমদবা য়াদবা মফমশিংগী মনুংদা টুরিষ্ট স্পোট অসিসু অমনি। করিগুম্বা মফমসিদা টোইলেট ফেসিলিটি লৈত্রবদি হায়রিবা মফম অদু শুংশোয় শোয়দনা ওপন দিফিকেসন ওইরকপা তাবনি। অদুনা টুরিষ্ট স্পোট খুদিংমক অফবা টোইলেট অমগী য়াম্না মরুওই। লাইশঙশিং মরুওইনা হিন্দুগী মন্দির, মুসলিমশিংগী মসজিদ, খৃষ্টিয়ানশিংগী চর্চশিংদা মওং তাবা অফবা টোইলেট ফংহনবা ঙম্লবরা হায়বসি থাদোকপা য়াদবা টাউন অদুগী অচৌবা থৌদাং ওইরি। বস ষ্টেন্দ, ওইল পম্পশিং তরু তনানবা মপূং ফাবা টোইলেট লৈরব্রা হায়বা অফবা মায়ওন অসিনি ঙসি ওপন দিফিকেসন্না পীরিবা কান্নবা। হায়রিবা অকনবা খোঙথাং অসি পূম্নমক শেম শাবা লোইরবা মতুংদা টাউন অদুগী ইগজিক্যুটিভ ওফিসরনা পব্লিক নোটিশ থোক্তুনা মীয়ামদা অকক্লবা মতম অমা পীরগা খঙহনগনি। মতম অদুগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎপা পীনবগী খুদোংচাবা লৌরক্ত্রবদি টাউন অদু ওপন দিফিকেসন ওইরে হায়না লাউথোক্লে। মরম অদুনা ক্যু সী আইনা য়েংশিনবীরো হায়দুনা ইগজিক্যুটিভ ওফিসরনা চে থাগনি। মতমদুদতা ক্যু সী আইনা য়েংশিনবা লাক্কদৌরিবনি। লাক্লিবা ক্যু সী আইগী টিম অদুনসু কৈদৌঙৈ লাক্কনি, কদাইদা লৈরি, কনা কনা লাকই হায়বা অকুপ্পা পাউ অমত্তা খঙহল্লকপা তৌদনা নুমিৎতুদতা খঙহল্লক্কনি। য়াম্না সেক্রেসি ওইনা লাকপা খোঙচৎ অসিনা কূপ্না য়েংবা মীৎয়েংদুনি ক্যু সী আইগী সার্টিফিকেট।

অসিগুম্বা সার্টিফিকেট ফংবা কাউন্সিল অসি মণিপুরগী ওইনা মঙাখক্তা ঙাইরি। অদুবু হায়রিবা কাউন্সিল মঙা অসিগী মতম লোইদুনা নৌনা রিভেলিদেসন তৌনবগী খোঙচৎ হৌখিবা দিসেম্বর ১৭, ২০১৭তগী য়েংশিন খোঙচৎ হৌখ্রে। য়েংবা তারি মমাঙদা ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইবদা মতিক চারে হায়রম্লবা টাউন মঙা অসি অমুকসু ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইবা য়ারিব্রা হায়বদু মতম খরদংদি খোঙচৎ অসি লোইদ্রিবনা য়েংখিবা তারি। অদুগা হন্দক্কী চহীসিদা নৌনা কাউন্সিল ১২না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মতিং লৈনা ওপন দিফিকেসন লাউথোরক্লিবসিদি ময়াম পূন্না থাগৎনফম থোকই। হন্দক চাঙলক্লিবা কাউন্সিল ১২ অসি অন্দ্রো, ইম্ফাল, জিরিবাম, কুম্বী, ক্বাক্তা, লমশাং, নিংথৌখোং, ওইনাম, শুগুনু, থৌবাল, ৱাঙ্গোই অমদি য়াইরিপোকনি। লেমহৌরিবা ১০ অসিসু মথং চহীদদি শোয়দনা ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইবা ঙম্নবা খোঙথাং কন্না চঙশিল্লি। ৱাৎহৌরিবা টাউন ১০ অসিসু মথং চহীদা লাউথোকপা ঙম্লবদি মপূং ফাবা রাজ্য অমদি শোয়দনা ওইগনি নীংই। হায়রিবা অচৌবা খোঙচৎ ওইরিবা ওপন দিফিকেসন ফ্রী অসিখক্তা নত্তবা অর্বান লোকেল বোদি খুদিংমক্না থেংনরিবা অমদি অফবা চাওখৎপা মায়কৈরোমদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংগী মনুংদা অমসুনি স্বাছ সর্ভেক্সন ২০১৮। মসিসু ক্যু সী আইগী চাংয়েং চঙগদৌরি। অদুনা ঙসি মণিপুর টাউনশিংনা অঙম্বী থাক্তা হোৎনরিবা অসিগী মায়কৈ খুদিংমক দিরেক্টর মাহুদকী থৌদাং চাউই। অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খাইদনা ৱাইশিৎ লমশেংবা ফাওবা দিরেক্টর মশামক শরুক য়াবিবা করম্বা দিপার্টমেন্টকী মীওইনা তৌরমগনি। দিসেম্বর ২৫, ২০১৭ মীয়াম্না খৃষ্টমাসকী হরাউ তয়াম্বা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা নুমিৎতুদা মাহুদ দিরেক্টর এন গীতকুমার মশামক নুমিদাংগী পুং ৮ তাবা ফাওবা কুম্বী, মোইরাং, নিংথৌখোংদা শরুক য়ারুই। পূম্নমক মণিপুরগী টাউনশিংগী অফবা মায়ওন ওইনবা।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে ক্যু সী আইগী য়েংশিন খোঙচৎ খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইরমদুনা তরু তনান্না লৈবা মণিপুর রাজ্য অমা ওইনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক মতেং পাঙশিনমিন্নরসি।